ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯥꯟꯌꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯱, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯸꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, জান্যুৱারী ১১, ২০১৮, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ২৮৫শুবা মশীং

# অনাবগী ফমুংদা অঙাং উনবা

## *মথৌদা চেকশিন্দবা য়াওব্রা হায়বা য়েংশিনবা চুমই*

**মীওইবগী** পূন্সি হায়বসিদগী হেনবা অমা মালেমদা লৈতে। মসিদি শেলনা নৎত্রগা পূক্লিংনা শুক্সৎলগা লৈবা য়াবা পোৎশকসু নত্তে। মরম অদুনা মীওইবগী পূন্সি কন্নবা হোৎনরিবা ডোক্তরশিংবু শেম্বীবা মপুনি হায়না লৌনৈ। মসিমক্লা ওপরেসন তৌরমদাইদা থাঙ থাগদৌরিবা ডোক্টর অদুগী মখোঙ শোক্লা পেসেন্টনা খুরুম্নবা য়াওই। ডোক্টরনা হায়বা পাউতাক ইল্লগা অনাবা ফরক্কনি খল্লিবা, হোস্পিটাল য়ৌরগা হিংগনি হায়বগী ৱাখল খন্নরিবা মীয়ামদা হোস্পিটাল ওথোরিটি নৎত্রগা ডোক্টরনা করি মীৎয়েং য়েংফম থোকপগে হায়বসি মখোয় মশানা খনফম থোকই। প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগীদি অনাবদুনা নৎত্রগা মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং শেল পীরগা লায়েংবা মরম্না অনাবশিংবু কা হেন্না লুনা তৌবা অমসুং ফজবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা মতুং তারকপদসু মখোয়না মফমদুদা অনাবা লায়েংবা লাক্লিংহন্নবগী থৌওং চত্থবা হায়বসিদি মহৌশানি। লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংদা মথৌ তৌরিবা ডোক্টর, নর্স, পেরা মেদিকেল ষ্টাফশিং অমসুং মরী লৈনবা খূদিংমক্কসু প্রাইভেট হোস্পিটালদা তৌরিবা মওং মতৌ অসিগুম্না তৌরবা মতমদতা লৈঙাক্কী হোস্পিটাল অদু মমিং লৈবা, মীয়াম্না য়ানবা হোস্পিটাল অমা ওইহনবা ঙমগনি। প্রাইভেট হোস্পিটালদা অনাববু লুনা চান্না তৌবা, মখোয়বু ফগৎনবা মীশিং-নাশিং থবক তৌরিবা ডোক্টর অদু কুপ্না থিগৎলুরগদি লৈঙাক্কী ডোক্টর ওইরম্বসু য়াওদবা নত্তে। লৈঙাক্কী হোস্পিটালগী ওপরেসন থিয়েটরদা থাঙ থানবা অনাবা অমা পুশিল্লবা তুংদা ডোক্টর মশা ঙমদ্রে হায়দুনা ওপরেসন য়ৈথোরকপগী ৱারী লৈখ্রে। পূন্সি চুপ্পগী ওইনা লৈঙাক্কী হোস্পিটালদা ওপরেসন তৌররোই হায়দুনা পেসেন্ট পার্টি অদুনা শাওনা থোরক্লগা লন্নাই হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌখি। মহাকপু খুদক্তা ওপরেসন তৌবীয়ু, অচঙবা শেনফম পুথোকচগে হায়বদা হোস্পিটাল অদুনা য়ারকখি। মহাকপু থাঙ থানবা ওপরেসন থিয়েটর মনুংদা পুশিল্লকপা ঙাইদুনা লৈরম্বা ডোক্টর অদু লৈঙাক্কী হোস্পিটালদগী মশা ঙমদ্রে হায়দুনা ছুতি লৌখিবা ডোক্টরদু ওইরম্বগী ৱারী অমসু লৈখ্রে। মসিনা তাক্লিবদি লৈঙাক্লা ডোক্টরশিংদা থাগী তোলোপ অদু অতিয়াদগী থাদরকপদৌনা খল্লি। করিগুম্বা মতমদনা অনাবশিং অসিবু লল্লোনপোৎ ওইনা ডোক্টর খরদি লৌবদৌনা তৌই। মসিনা মরম ওইরগা ডোক্টর অমসুং পেসেন্টগী মরক্তা লৈনগদবা নুংশিবগী মরী অদু শেলনা মহুৎ শিনখিবদগী ডোক্টরগী লমচৎ কায়থরকই।

মণিপুরদা অনা-লায়েংদা মমিং লৈরবা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)কী এন্তিনেটাল ৱার্দতা অনাবগী হিপ্নবা থাবা ফমুংদা নুপী অমা অঙাং উনখ্রে হায়বগী থৌদোক অমা থোকখ্রে। অসিগুম্বা থৌদোক অসি হৌখিবা নুমিৎ খরনিসিদা য়াম্না তোয়না থোকই হায়নসু ফোঙদোক্লখিবা লৈখ্রে। জন্যুৱারী ৭কী অয়ুক্কী পুং ৭ তাবদা এন্তিনেটাল ৱার্দকী বেদ নম্বর-২৮দা অঙাং উনখিবী মমা অদু চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা খ্বাইদগী লুম্না লৌজরিবা চীংমী ফুরুপকী নিংঙোল অমনি। নুপী অদুনা মহাক্কী মবুক য়াম্না য়েকই, অঙাং উনবগী মতম য়ৌরকপা মাল্লি হায়দুনা ডোক্টর অদুদা হায়জরবা ফাওবদা মুন্না য়েংবিখিদে অমসুং অঙাং উনরমদাইগী য়েকপা থিনবা খাংবা ঙল্লোইদবা ওইরগদি করিগী নয়ুম পাল্লুরিবনো হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লমই হায়বসি তাবদা য়াম্না ৱায়। মফম অদুদা পুং ২৪ চুপ্না ডোক্টরশিং, নর্সশিং শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌদুনা মথৌ তৌহল্লিবনি। ডোক্টরনা ৱার্দতা লেংদনা লৈরগদি নুপী অমা অঙাং উনবগী মতম য়ৌরে হায়বসি য়াম্না লায়না খঙফম থোকই। অদুবু হন্দক্কী থৌদোক অসিদা ডোক্টর অদুনা অনাবগী মওং মতৌ অদু নীংথিনা য়েংলমদবা অমসুং মথৌদা থৌওইদবদগী নুপী অদু লেবর রুমদা পুশিন্দুনা অঙাং উনবগী খুদোংচাবা ফংখিদে। হোস্পিটাল ওথোরিটিনা চেকশিন্দবদগী অনকপা মফমদা লৈবা লেবর রুমদা পুশিনবগী খুদোংচাবা লৈতনা অনাবগী ফমুংদা অঙাং উনহনবগী থৌদোক অদু কনাগুম্বা খরগী অশোয়বা অরানবনি হায়বসি চেনবা য়াদবা ৱাফম ওইগনি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি অসুম তোয়শিল্লকপা তারবদি চৎনবী অমা ওস্থোরকখিগনি। মরম অদুনা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা ডোক্টর, নর্স নৎত্রগা অতৈ হোস্পিটাল ওথোরিটিগী মথক্তা করিগুম্বা থবক খরদি শোয়দনা লৌখৎফম থোকই। মতাং অসিদা পঙ্গনিংবা ৱাফমদি হোস্পিটালদা পেসেন্ট পার্টিগা ঙাইহাক লৈতনা নিংঙাই তৌনবগী থৌদোক থোকখিবা লৈখ্রে। হোস্পিটালগী পোৎচৈ থুগাইরম্বা, ডোক্টর ফুরম্বগী থৌদোকসু য়াওখ্রে। ডোক্টরনা চেকশিন্দবদগী অনাবা শিবনি হায়বা ঈহৌ কয়ামরুম অমসু লৈখ্রে। অদুবু লুরিবদি ডোক্টরশিংনা তুংদা থোরকপা য়াবা খুদোংথিবশিং অদুদগী মশা ঙাকথোকচনবা নৎত্রগা হোস্পিটালগী মিংচৎ ময়েং তাদনবা চপ চাবা মথৌ তৌগে হায়বগী ৱাখল্লোনদি হৌজিকসু চেন্দবা ডোক্টর কয়ামরুম য়াওরি। অসিগুম্বা ডোক্টরশিং অসিগী মথক্তা লৈঙাক্লা হেন্না কনবা থবক লৌখৎপা য়াই। তঙাইফদ্রগদি মখোয়দা মেদিকেল কাউন্সীলনা অনাবা লায়েংনবা পীরিবা সার্টিফিকেট অদু ফাওবা কক্লবা প্রোসেস তৌবা য়াই। মরম অদুনা ডোক্টর অমগী মথৌ চপ চানা অনা লায়েংশঙ অমদা তৌহন্দবা হায়বসি হোস্পিটাল ওথোরিটিগী মখা পোল্লি হায়জনিংই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### চাওখৎপা মণিপুর অমগীদমক

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**কংলৈ ইকনোমিক দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (কেদো)** না শিন্দুনা তন্দুম গোলগপ্পা লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অমা দিসেম্বর ৩০, ২০১৭তা খুরাই লমলোং কৈথেলদা পাঙথোকখিবদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিগী মেয়র এল লোকেশ্বরনা হায়খি মদুদি মীওইবা অমনা মীওইবা অমবু হন্থনা য়েংনরিবমখৈ খুন্নাই অসি চাওখৎপা ঙমদনা হন্থনা অদুমক লৈগনি। মসিমক অমরোমদদি য়াম্না অচুম্বা ৱাফম অমা ওইরিবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। হৌজিক হৌজিকমক্কী মণিপুরদা অসুম্না য়েংনরকপদগী চীংবুরোই তম্বুরোইগী ৱাদা নত্তনা মুসলমান অমদি লায়র-অনং, অচৌ-মচা, নুপী-অঙাং, হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিং অমদি তোল্ল-তারবা কয়াবু হন্থনা য়েংনবগী চৎনবী লৈরি। অপংবা মীবু শিংহনবা, তোল্ল-তারবা মীবু ৱাহৈনা ওইরবসু থৌগৎপীবা, হৈবা ৱাৎলবা কয়াবু অশোয়বা তাকপীদুনা হৈননবা হোৎনবীবা, হৈহনবা, পাঙ্গলনা থৌনানা, পৈশানা মতেংমক পাংবা ঙমদ্রবসু মখোয়বু ফজনা ৱেল-বিহেব তৌবা অদুমক ঙসিসু মণিপুরদা লৈতবগুম্না তৌরি। অসিগুম্বা মীওইবা খুন্নাই অমদা মীওইবা অমগা মীওইবা অমগা হন্থনা অমদি তাথি-তাওইনা তৌনরিবমখৈ, নুংশি চান্নবা লৈমিন্নমিন্নদ্রিবমখৈ মীতৈ মরক্তা ওইরো, হিন্দু মরক্তা ওইরো, ত্রাইবেলশিংগী মরক্তবু ওইরো, হায় ওফিসিয়েল মরক্তবু ওইরো পূম্নমক অসিগী মথক্তা হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিংবু ওইরো, ঐচ আই ভিনা নারবশিংবু ওইরো মখল কয়াগী অনাবদবু ওইরো, অহল-অশোন অনাবু ওইরো ৱেল-বিহেব তৌদুনা নুংশিননা লৈমিন্নদ্রবদি উংখৎনবা য়াওরক্লোই হায়বা তম্বা ঙম্বা নত্তে।

পূম্নমকশিং অসি খঙলদুনা আই এম সীগী মেয়র অদুনা শান্তি লৈবা খুন্নাই অমা ওইহন্নীংবগী পান্দমদা ফোঙদোকখিবদু লৈঙাক্কীসু ফিরেপনি, মীয়ামগীসু অপাম্বনি। মদুমক্লা মণিপুরগী ইকায়খুম্নরবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না খঙনা মীয়াম্বু উনবা নুমিৎ হায়দুনা চীংবুরোই অমদি তম্বুরোই অনীমক্কী খেন্নবা লৈহন্দনা মীয়ামবু নুমীৎ অনীরক থোক্লা উনদুনা মীয়ামগী অপেন-পেন্দা, অপাম-পামদা খঙননবা উনরি অমদি অঙম্বা মতেং পীনবা হোৎনরি। মসিমক্লা খুন্নাই অসিদা মীওইবা অমগা অমগগী মরক্তা খেন্নবা থল্লোইদবনি হায়বদু মীয়ামদা পাউজেল পীবিবগুম্বনি।

মরম অসিনা মীচম মীয়াম্নসু মীওইবা অমগী মরক্তা খেন্নবা থমদনা পূক্লিং থৌগৎনা ৱেল-বিহেব তৌদুনা লোয়নরবদি অমদি লৈমিন্নরবদি ঙসিগী খুন্নাই অসি চাওখৎপগী মায়কৈরোমদা তপ্না তপ্না হাইগৎলক্নুনা ঈং-তপ্পা, ৱাখল তাবা মীয়ামগী মণিপুর অমা হায়বদু ওইহনগদৌরিবনি অমদি ওইহনসি। পূম্নমক অসিগীদমক্তা লৈঙাক্লসু এৱ্যার্নেসনচিংবা পীবগী মতৌগুম মীয়ামগী ফঙ্কসন কয়াদা তোয়না পাউদল্লিবা অসিদা মীয়াম্না খন্থমিন্নরসি ঐখোয় পূন্না হোৎনমিন্নদুনা মীওই কয়াগী অপাম্বা অমদি লৈঙাক্কী অপাম্বা অসিনা ঙসিগী মণিপুর চাওখৎপগী লম্বীদা শোয়দনা মাঙজিল থাগনি।

*অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা*

# ইন্দিয়ন স্পোর্টসতা মীৎয়েং অমা

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

**'শান্নবা'** (স্পোর্টস) হায়বসিগা 'মশান্না' (গেমস) হায়বসিগা - অনী অসি মান্নদে। 'গেমস এন্দ স্পোর্টস' হায়বা ৱাহৈ-ৱাপা অসিগী মীতৈলোন্দা ৱাহন্থোক পীবা তারবা 'শান্ন-খোৎনবা' হায়না হায়নরল্লিবসি ওইবা তাই। ৱারেং অসিগী পান্দম-শান্নবগী মরমদা নৈনবা ৱারোল অমা থম্বা অদু নৎচদে। অখন্নবা মশান্না অমগী মরমদা অকৃপ্পা ৱারোল থম্বদসু নৎচদে। অদুবু 'জুদো' হায়না খঙনবা, জপান'দগী হৌরকপা, ঙসিদি ইন্টরনেসনল ওইরবা মশান্না অদুগা শম্নরুবদগী খরমখৈ নৈনজরুই - শান্নবা হায়বসি করিনো? করিগী শান্নরিবনো? শান্নবা হায়বা মীওইবগী থবক-থৌওং অসিবু তৌদ' য়াদবা অমগুম, মরুওইনা লৌনরিবা করিগীনো? চুম্নগী নুংঙাইনবা শান্নবা (এন্টরটেনমেন্ট স্পোর্টস) নত্তবা অথোয় অহেন তান্নবা মশান্না (কম্পিটিটিব স্পোর্টস) হায়বসিনা, মালেমগী শান্তি, নুংশিনবা পুরকপদা মতেং পাংই হায়রিবা, করিদগী হায়রিবনো? শান্নরোয় খরনা শান্নরগা, অয়েংবা লিশীং কয়ানা মশান্নদুদা ঙাওরিবনা করিগী? অসিনচিংবা ৱাহং কয়া, ইথন্তা হংজখিবনি। পাউখুমদুসু, থিজখিবনি ইশানা।

হিংনবগীদমক চিঞাক থিবদা, লৌউ-শিংউ হৈত্রিঙৈ, শা-তানবই থবক তৌরকপা, লোয়ননা ঈশিংদা কূমদুনা ঙা ফাবনচিংবদগী ঈশিংদা ঈরোয়বা হৈরকপা অসিনচিংবা থবকসিনা মীওইবগী অহানবা স্পোর্টিং এক্টিভিটি ওইরকখি হায়বসি, ঐনা হায়বা নত্তে, মালেম পূম্বনা হায়বনি। অদুবু শান্নবা হায়বা ৱাহৈ অসি পুথোক্তুনা, খুন্নাই হায়বসি শেম্লক্লবা মতুংদা, মীওইবগী থবক অমা ওইনা শেমগৎলকখিবদি - অমগা অমগা অকন-অরিং কনানা হেনবগে লেপ্পবা, মিলিটরি ফোর্স লিংখৎনবা ৱাখল পোল্লকপদগী হৌখিবনি হায়বসি অখণ্ড অহৈশিংনা হায়বনি। ঐগী কাঙলূপ, মাগী কাঙলূপ - ঐখোয় মখোয়গী ৱাখল পোল্লক'ঙৈদগী, অমনা অমগী মথক্তা ঙম্না-শিংনা পান্নবা লান্মী কাঙলূপ (তেঙ্গোল) শেম্বা তারকখি। লানগী লান্মী ওইনবা, কনবা-থৌবা, ফূনবা হৈবা, থাঙদা-তাদা হৈথোই-শিংথোইবা মী খনবা তারকখি। মদুদগী ওইরকখি - শান্নবদা অথোয় অহেন তান্নবা, কম্পিটিটিব স্পোর্টস।

অদুগী মতুং তারকপা, অঙনবা মতম, ময়ায় ওইবা মতম অমদি অনৌবা মতম ফাওবগী শাংলবা শান্নবগী য়াওল, কম্পিটিটিব স্পোর্টসকী লমসিদা লেপ্পা লৈত' হোংলক্লিবা মশক-মওং অদুদি ৱারেংসিনা কোনশিঞ্জরোই। অদুবু ৱারেংসিগী ৱাহৌ ওইনা পঞ্জরুবা ৱাহৈ পরেং অসিদি শেংদোক্লম্বা চুম'মাল্লে। অখঙবনা খঙল'সু থেংনদ্রিবা কনাদদি চমম্নবা পোকহনবা য়াই - 'গেম' হায়বসিগা 'স্পোর্ট' হায়বা অসিগা, অনীসি মান্নদে হায়বসিদা। গেম খুদিংমক স্পোর্ট'নি, অদুবু স্পোর্ট খুদিংমক্তি গেম নত্তে'...। ৱাহায় অসি হায়রুবদা শান্ন-খোৎনবা হায়বসিনা শিনফম অমা ওইরবা মরুপ মপাং খরনদি কন্থি থোক্লা শাউই-শান্নবই শিনফম পায়দবা মহাক্লা করি খঙলদনা! ঐঙোন্দা দাইরেক্ট নত্তবা, নাকোয়ননা পাওহোম্মকই, অহৈপা শাই হায়রকই। অদুবু, পঞ্জরিবা ৱাহায়সিদি, ৱারেংজরিবা ঐহাক্লা অহৈ-অপা শাদুনা শেমজিনবা ৱাহায় নত্তে, মালেম পূম্বনা য়ানরবা ৱাহায়নি, পাউ ওইনা তমজবনি। ফুনবা, য়ৈনবা, থিন্নবা, কাওনবা ... মাঙজোঙ, চেঞ্জোঙ, ৱাচোঙ.. কনাগী ষণ-ৱাইনবা, য়েন কাওনবা, খুনু তুনবা ফাওবা স্পোর্টসকী মনুং চল্লি হায়বা য়াই। অদুবু গেম হায়বা তারবা, চপ চাবা চৎন-কাঙলোন অমনা লীপুন ওইনা পুনগদবনি - তৌগদবা/তৌরোইদবা, হেন্দোক-হেঞ্জিন য়াবা/য়াদবা শান্নপুং অমগী পাকপা চাউবা, কাঙক্রুম অমগী অরুম্বা ... অসিনচিংবা। ঐখোয়গী লোকেল গেম ওইনা লৈরম্বা, মুক্লানচিংবা মশান্না কয়া, মোর্দন কন্সেপ্ট অসিদা গেম ওইনা শকখঙদ্রিবগী মরম কয়া লৈ। মালেমগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা লৈপাকশিংদই হৌখিবা, মালেমগী থাক্তা শকখঙলবা মশান্নদি, মার্সিয়েল আর্ট ওইনা লৈরম্বা 'স্পোর্টিং ইভেন্ট'শিংনা অয়াম্বনি। মণিপুরগী মার্সিয়েল আর্ট 'থাঙ-তা' কৌবা মশান্না, ঙসিদি গেম ওইরেদনা!

অসুম্না, পাক্লা-শন্না য়ানরবা চৎনবীনা পূনবা মশান্নদি ওইদবা, লৈকায়-লমদম (লোকেল) দুগী মীয়াম্নদি য়ানরবা চৎন-কাঙলোন'না পূনবা মশান্না কয়া অমসু লৈ- লম লম খুদিংদা। অদুবুনা 'ইন্দিজনস গেম' মিংথোল্লি। অদুগুম্বা ইন্দিজিনস গেমস লিশীংদুদই খনগৎলকপা খরদতুনি ঙসি ওলেম্পিক গেমস হায়না শকখঙনরিবা মশান্নশিং। ঙসিসু শান্নরি মালেমদা মশীং থীঙমদ্রবা মশান্না-নন ওলেম্পিক গেমস কয়া অমসু।

হ্যুমেন সিভিলাইজেসনগী হিষ্টরিদা, ইন্দিয়ন সিভিলাইজেসন'না অঙনবা মতমগী পন্দুপ অদুগী অয়াম্বা লামায়শিং কল্লবসু, গ্লোবেল-স্পোর্টিং-হিষ্টরিদদি অরিবদগী অনৌবা মতম ফাওবদা শোন্ননীংঙাই ওইবা লামায় অমা ফাওবা কনবা ঙমদ্রি, হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। য়াল্লিবা মীয়াম অসিগা, লমদমসিদই থোল্লকখিবা অমদি থোল্লক্লিবা শান্নরোয়গী থাক অমদি শান্নরোয় মশীং অসিগা চাংদম্নরা য়েংবদা লমদমসিদা লৈরিবা মীয়ামসিগী মশক চাউরাকপা অমা লেপ'ঙম্মী। হায়নৈদনা 'শান্নবা হায়বসিনা মীশক নৎত্রগা খুন্নাইদুগী লমচৎ (ক্যারেক্টর) লেপ্লিবনি'। ঐদি হায়নীংই 'শান্নবনা মীশক (শান্নরোয়) অমগী লমচৎ শেমগৎলকপা নত্তে...শান্নবদুনা মশাদা য়াওজরিবা ক্যারেক্টর অদু মীয়ামদা ফোঙদোকহল্লকপনি'। অমেরিকাগী মমিং লৈরবা ওলেম্পিয়ন রেষ্টলর অমদি কোচ 'দান গেবল' না হায়রম্বা ৱাহায়দু শান্নরোয় খুদিংমক্লা নীংশিংলুবা কান্নগনি... 'গোল্ড মেদল হায়বসি তশেংবমক্তি সনানা শাবা নত্তে, শান্নরোয়শিংনা ফংলিবা সনাগী তকমান অদু শারকপদি হোৎনবগী হুমাংমল, পূক্লিং অনী লোঙদবা অচেৎপা ফিরেপ অমদি থিবা ৱারগদবা মশাবু থাজবা ঙম্বা 'গত' হায়বা মচল অহুমসিনা শেম্বনি'। শান্নরোয় অমা ওইদ্রবসু, শান্নববু য়োকখৎলিবা লূপ অমগা খূৎশম্নুনা চৎমিন্নরিবা অমদা 'শান্নব'না তন্বীরকই - 'পূন্না থবক তৌমিন্নবগী ৱাহন্থোক অমদি এক্সপরিয়েন্স। অথোয়-অহেন তান্নবা, কম্পিটিসন তৌনবদা মরুপ মপাং ওইবা মতৌ, নুংশিনবা অমদি অমনা অমগী ইকায়খুম্ন বা মাঙহন্দনা লোয়নবা, শান্নবা (স্পোর্টস) হায়বসি নত্তবা, অতোপ্পা শিন্থা অমা লৈতে।

অসিগুম্বা, মরুওইখ্রবা শিনফম-শিন্থা অসিদা লৈপাক অমগী মীয়াম্না করম য়েংবগে হায়বদু তাক্লবা মিংশেল অমনি- ওলেম্পিক গেমস! চাওখৎপই লমজেলদা মাঙজিল থারিবা লৈপাক অয়াম্বনা, ওলেম্পিক মেদলগী লমজেলদসু মকোক মথংগী অথোয় অহেন হেক্তা তান্নমিন্নরম্মী। ইন্দিয়া'না চাওখৎপই লমজেল য়াও'ঙমদবনা ওলেম্পিক-মেদলগী লমজেলদসু য়াওবা ঙমদে। ১৯০০দা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমস অদুদা ইহান হান্না শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়া, মতুং তারকপা ওলেম্পিক গেমস খুদিংদা অমুক্তা ফাওবা চীথদনা শরুক য়ারকপগী ফজবা রেকোর্দ থল্লিবা ইন্দিয়ানি। ওলেম্পি'কী পন্দুপ ২৪দা শরুক য়ারকখ্রবা ইন্দিয়া, ঙসি ফাওবদা মেদল ২৮দগী হেন্না ফং'ঙমদ্রি (গোল্ড ৯, শিলভর ৭, ব্রোঞ্জ ১২)। অদুগা, ১৯৫২দা ইহান হান্না য়াওরকখিবা, ঙসি ফাওবদা সন্মর ওলেম্পিক গেমস ১০ খক্তমক্তা শরুক য়ারক্লিবা চিনাদি অপূনবা মেদল ৫৯৯ লৌখরে (গোল্ড ২৩৬, শিলভর ১৮৯, ব্রোঞ্জ ১৭৪)। খেন্নবসি য়েংবীয়ু। কদায়দনো শোয়রিবা? নৈনফম থোক্তবরা?

ইন্দিয়ানা শান্নববু চাওখৎহন্নবা ৱাখল খনবা হৌরকখিবদি ১৯৮২, ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইবা অনীশুবা এসিয়ন গেমস পাঙথোকখ্রবা তুংদনি। মণিপুরদা ঈহৌ লাকখিবসু মতমদুদগীনি। চিনানা ওলেম্পিক'কী ঈহৌদা য়াওরকখিবনা ১৯৮৪দগীনি। ইন্দিয়াগী য়ুথ এফেয়রস অমসুং স্পোর্টস মিনিষ্ট্রি'না নেসনল স্পোর্টস বোর্দি ওইনা 'স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া' - ১৯৮৪দা লিংখৎখি। 'সাই' হায়না খঙনবা ওথোরিটি অসিগী মখাদা শান্নববু শিনফম অমা ওইনা তম্বীনবা ইন্সটিট্যুসন অনী লিংখৎখি - নেটাজি সুভাস নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টস (পাটিয়ালা), লক্ষ্মিবাই নেসনল কোলেজ ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন (ট্রিবন্দ্রম)। চান্দিগড়, সোনেপট, লক্ষনৌ, গুৱাহাটি, ইম্ফাল, কোলকটা, ভোপাল, বেঙ্গলোর, মুম্বাই অমদি গান্ধিনগরদা শান্নরোয়শিংগী ত্রেনিং তৌফম রিজনেল সেন্তর অমা অমসু লিংখৎখি। মসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা মশান্না ১৮দা অখন্নবা ত্রেনিং পীনবা 'সেন্তর ওফ এক্সেলেন্স' তরামরী, অতোপ্পা মফম কুন (২০) অমদসু 'স্পেসল এরিয়া গেমস' সেন্তর লিংখৎতুনা শান্নরোয়শিংগী পার্ফোমেন্স - ৱাহৈ ওইনা ইজররোই। ইকায় ঐহাক অদৌবা চিনাগী এচিভমেন্ট য়েংলুরগা। মণিপুর কৌবা মালেমগী লৈমায়দা বিন্দু অমগা পাংখক ওইবা 'ইন্দিয়ন স্পোর্টসকী পৱার হাওস' মিংথোল পীবিরিবা 'ষ্টেট পিকক্ক' অসিবু পোলিটিকেল লোৱী তৌরগা 'মণিপুর (ইন্দিয়া)' হায়না তোখায়না পার্টিসিপেট তৌহল্লবা, ঐদি থাজে, ইন্দিয়াগী মাঙলিবা ইকায়খুম্নব'দি খরমখৈদি কন্নবা ঙমগনি।

# মণিপুরগী অহানবা স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮

**সোরোক নোরেন**

**হৌখিবা** কুমজা ২০১৭কী জুলাই ৩১দগী খৌরাংনা ঙাইদুনা লাক্লবনি কৈদৌঙৈ হৌগদগে হায়বা। অদুবু লেপ্তুবা মতমগী খোঙচৎনি চৎলি ঙসিসু লেপ্পা লৈতনা। হায়নরুবা তৌদনা য়ৌরক্লি জন্যুৱারী ৪, ২০১৮ স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮ হৌদোকপা নুমিৎ। নুমিৎ অসিনা অহৌবা ওইরগা মণিপুরগী অহানবা স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮ অসিগী য়েংশিন খোঙচৎ অসি বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমদি থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা ওইখি।

অর্বান লোকেল বোদি (য়ু এল বি) ৪০৪১ অমদি লেংদ্রবা কেন্টোনমেন্ট বোর্দ ৬২গী য়েংশিন্দুনা অরু-অনান, লৈগদবা লৈরোইদবা কয়ামরুমবু কুপ্না য়েংলবা মতুংদা অথোয় অহেন তান্নবা অদুবুনি স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮ হায়রিবসি। হায়রিবা ইন্দিয়াগী সহর ৪০৪১গী মনুং চল্লিবা মণিপুরগী সহর ২৭ অসি ঙসিদি অকনবা মানা মানা ঙমজবী থাক্তা হোৎনবগী মমি চাউনা তারি। অসুম্না হৌখিবা চহীগী সেপ্তেম্বর ২০, ২০১৭ অসিদা মিনিষ্ট্রি ওফ হাওসিং এন্দ অর্বান এফেয়রসকী মখাদা, অসাম গভর্ণমেন্টনা শিনবা নোর্থ ইষ্ট রিজনেল ৱার্কশোপ্তা মণিপুরগী য়ু এল বি ২৭তগী খনগৎলবা মীওই ৪৩না শরুক য়াররুবনিনা, স্বাছ সরবেক্সন করিনো খঙবদগী হৌজিক অকনবা খোঙথাংনি মণিপুরগী ওইনা থেংনরিবা অকনবা লাল্লোং। অসিগুম্বা লাল্লোং অসিগী লুচিং পুরেল ওইবিরিবা দিরেক্টর মাহুদকী থৌদাং য়াম্না চাউরি। মরম অদুনা পোত্থাবা শুকলৈ লৈতনা হোৎনরিবা অসিগুম্বা মণিপুরগী য়ু এল বি ২৭কী মনুংদনি অহানবা ওইনা বিষ্ণুপুর অমদি থৌবালদা লাক্লিবসি। হোৎনবগী তেল্লবা মতমদা ওইরক্লিবা ফীভম অসি তরাইনা লৌবা য়ারোই। গুৱাহাটিগী মীফমখক্তা নত্তনা লমদমসিগী ওইনা মরুওইবা মফম, তাঞ্জা চাবা য়েংলগা মশীং খঙদনা দিরেক্টর মাহুদ, জোইন্ট দিরেক্টর মাহুদনা ময়াম পূম্নমক্কী মহুৎ শিল্লগা মীফম কয়া পাঙথোকখ্রে অমদি পাঙথোল্লি। লনাই লনাই ওইনা মশা মশাগী য়ু এল বি পূম্নমক্তা স্বাছ সরবেক্সনগী লাল্লোং লেপ্পা লৈতনা চত্থরি। অসুম্না মপূং ফানা শেম শান্নবগী তাঞ্জা ফংবা ঙমহৌদ্রবা য়ু এল বি অনীগী মরাইবক হৌখিবা জন্যুৱারী ৪, ২০১৮দগী ৬ জন্যুৱারী ২০১৮ ফাওবা নুমিৎ হুমনি চঙনা বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী পাঙথোকখ্রে।

বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮গী শেম শারিবা পূম্নমক য়েংশিন্নবা লাক্লিবা অখন্নবা কাঙবু অসি 'করবি দাতা মেনেজমেন্ট সার্ভিস লিমিটেদ' হায়দ্রবাদতা বেজ তৌবা মীহুৎ কাঙবুনি। লাক্লিবা য়েংশিন খোঙচৎ অসিগী লুচিংবী ওইরিবনা এম এস, কে গ্রেসী কোম সেনিয়র এসেসর, অদুগা মাগী মখাদা জুনিয়র এসেসর অহুম্না মতেং পাংদুনা নুমিৎ হুমনি চঙনা বিষ্ণুপুর টাউনগী পাঙথোকখ্রে। হায়রিবা টিম অসিনা অহানবদা স্বাছ সরবেক্সনগীদমক য়েংনবা হোৎনরিবা হীরম অসি ওফিসিয়েল দোক্যুমেন্টরি সেনিয়র এসেসর কে গ্রেসী কোম্না ওফিসিয়েল দোক্যুমেন্ট য়েংনবা ওফিসতা লৈহৌরগা মাগী মখা থাবা জুনিয়র এসেস অমবুনা সিটিজন ফিদবেক লৌনবা ৱার্দ খুদিং থুংনবা চৎপা হৌখিবদো বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওফিসতা লৈবা ঘড়ীগী কাটানা অয়ূক্কী পুং ১০.০০ চপ চানা তাবা মতমনি। মহৌশানা ওফিস অসি অয়াঙবা খোঙজেল অমগী লমজেল্লোই খরদি য়াওরিবনা অদুক হাক্লা মীপাইনিঙাই ওইদে। এগজিক্যুটিব ওফিসর এল রোমেসনা মপূং ওইবা ওফিসিয়েল দোক্যুমেন্টতা মীৎয়েং চঙহৌরগা ফিল্ড ভেরিফিকেসনগী দায়ত্ব লৌরিবনা এস নোরেন্দ্রো এগজিক্যুটিব এঞ্জিনিয়র অদুগা মাবু মতেং পাংলিবা জুনিয়র এঞ্জিনিয়র নেপ্রম হেমলেট। জুরা অনী অসিনা অকনবা লম্বা তৌরগা অহোবা লৈতনা ফিল্ডগী হোৎনবদু অরাইবা অমদি ওইখিদে। অপূনবা মার্ক ৪০০০গী মনুংদা তান্নরিবা অথোয় অহেন অসি লমদমদুদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্কী চাউরবা দায়ত্ব লৈখি। ওফিস অদুবু পুরিবা ইলেক্টেদ রিপ্রজেন্টেটিভ অমদি ওফিস অদুগী থৌমী খরদনা তৌরিবা থবক খুদিংমক লোৎশিন্দুনা থম্বা য়ারক্তুবা মতম হায়বদু ওইরে। চাওখৎ থৌরাং পূম্নমক থোং মান্নানা অরোনবা মচেৎ অমতা থমদনা হোৎনবগী তঙাইফদবদুনি ঙসি স্বাছ সরবেক্সন্না তন্বীরল্লিবা পাড়া।

ফিল্ডদা চৎপা হৌদুনা সিটিজনগী ফিদবেক্তা পুরিবা মার্ক অসি ১২০০নি। হায়রিবা ফিদবেক অসিগীদমক্তা য়ু এল বি অদুনা চৎলিবা জুনিয়র এসেসর অদুদা করিগুম্বা মখল অমতগী মতেং পাংবগী মথৌ তাদে। কাউন্সিল অদুনা কোল্লিবা মফম অদুদা চঙনীংবা মফমদা চঙদুনা অমদি হংনীংবা মীওইদা হংনীংবা ৱাহং স্বাছ সরবেক্সনগা মরী লৈননা হংগনি। ৱাহং খুদিংমক্কী চপ চাবা সিটিজন অদুনা খুল্লকপা অদুদা হায়রিবা কাউন্সিল অদুগী সিটিজন ফিদবেক্কী মার্ক ওইদুনা চৎকনি। স্বাছ সরবেক্সন করিনো, হীরম অসিগী মতাংদা কাউন্সিল অদুনা কদায় ফাওবা য়ৌনা মীয়ামদা খঙহল্লবগে অমদি কাউন্সিল অদুনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা মীচম অমা ওইনা কদায় ফাওবা পেল্লবা। মরুওইনা সেনিটেসনগী লমদা কয়াম য়াম্না ফগৎহল্লবা, মীয়াম তিনবা মফমদা পব্লিক টোইলেটকী খুদোংচাবা করি থাক্তা উবা ফংলবগে অসিনচিংবা কয়া। অদুনা তাকপদি মীয়ামগীদমক থৌগল তৌগে থোরক্লিবা ইলেক্টেদ কাঙবুশিং তুমিন্না লৈথোকপা য়ারোইদৌরি। লোয়ননা থৌমী পূম্নমকসু পূন্না থোং মান্নানা চৎমিন্নদুনা চাওখৎ মায়কৈদা খোঙ থাংজিনবদি মথৌ তারে হায়নীংই। তৌসু তৌদনা তৌই হায়জিন্দুনা দোক্যুমেন্ট ময়াম অমা শেমজিল্লবসু সিটিজনগী ফিদবেক্তা পুরক্কদৌরিবা অচুম্বা পাউখুমশিং অদুগা চান্নরমদ্রবদি ফংগদৌরিবা মার্ক সিষ্টেমদা নেগেটিভ মার্কিং লৈদুনা হেন্না খুদোংথিনিঙাই ওইরি। ঙসি স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮ অসিনা টাউনশিং অসিদা লুনা নান্না লৈনবগী মপূং ওইবা পান্দমখক্তা নত্তনা থবক তৌবদা পুকচেল শেংবা অমগী অচৌবা মথৌ তাবা অদুনি উহন্নীংলিবা। ৱাফম অসিনা মপূং ওইরগা ঙসি ঐগী ইরমদম মণিপুরগী টাউন ২৭মক্তা অচুম্বা লৈবাক্কীদমক খনবা থৌমী কয়া অমদি ইলেক্টেদ রিপ্রজেন্টেটিব কয়া থোল্লক্তুনা শোত্থরবা খুন্নাই অসি অচৌবা চাওখৎপা তরু তনাননা লৈবা লমদম অমা ওইবদা মতেং পাংলসনু। ফনা য়াম্না স্বাছ সরবেক্সন তৌরবসু ঐখোয় পূম্নমক্লা মত অমত্তদা চংশিনমিন্নদ্রবদি কৈদৌনুংদা মপূং ফাবা ঙল্লোই।

স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮ অসিগীদমক হৌজিক ফাওবা হায়বদি ৱারেং অসি ইরিবা মীকুপ ফাওবদা ফংবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী মীশিং ক্রোর ৪০ হেন্না কোভর তৌরে। মীশিং লাক্ষ ৪৩.৫ হেনবনা স্বাছতা মোহুৱাগী এপপ অসি দাউনলোদ তৌদুনা ফত্তবা হুন্দোকফমগীদমক ৱাকৎ লাকপদা পুং খরগী মনুংদা পূম্নমক শেংদোকপা ঙমখ্রে। মানা মানা লৈরিবা টাউন অদুবু নালহন্নীংবগী পান্দমদা মীওই লাক্ষ ৪৯ হেনবনা হায়রিবা স্বাছতা মোহুৱাগী এপপ অসি দাউনলোদ তৌদুনা অমোৎপা মফম ওইদনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাংলকখ্রে। অমরোমদা শুপ্নগী লৈবাক অসিবু তরু তনাননা লৈবাক অমা ওইনবা হোৎনবদা অচৌবা পোৎলুম অমা ওইরগা তঙাইফদনা অর্বান মিনিষ্ট্রিনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি অদুক্কী মতিক পাক চাওখ্রে। সহর ৪০৪১ অসিখক্তা য়েংশিন্ননবা হোৎনবদা এসেসর ১৪০০ গী মথক্তা ষ্টেট খুদিংমক্তগী মফম ৩২দা থা অনী চঙনা ত্রেনিং পীরিবনি। অদুগুম্বা এসেসর অমনা তৌগদবা থৌদাং অদু মপূং মরৈ ফারে হায়দুনা জন্যুৱারী ৪, ২০১৮দগী মণিপুরগী ওইনা য়েংশিন খোঙচৎ হৌখ্রবনি। খোঙচৎ অসিদা লুরক্লিবসি অহানবদা ওফিসিয়েল দোক্যুমেন্ট লোয়ননা সিটিজন ফিদবেক হায়রিবা থৌওং অনী অসি মপূং ফানা চান্নবা অমা মথৌ তারি। শেমজিন শাজিনবা ৱাহৈ হায়বসে মতাং অসিদদি শুংসি শীজিন্নবা য়াদবগী তাঞ্জা অদুনি। সিটিজন ফিদবেক হায়রিবা হীরম অসিনা খ্বাইদগী অচুম্বা ওইরিবনা দোক্যুমেন্টেসনদা পুগদৌরিবা মার্ক অয়াম্বা মেটচিং ওইদ্রবদি নেগেটিব মার্কিংগী খুদোংথিবদু মুন্না খঙবা মথৌ তারি। ঐখোয় অয়াম্বা হায়বদি ঐগী ইরমদমগী মীয়াম্না য়েংলিবা মীৎয়েংসি খরদি খুবগুম তৌরি। ঐ ইশামকসুনি। য়ান য়ানবা তৌশিনখ্রগা লোইরে খনবা ৱাখলসিনা তুং কোয়বা ইঙম ঙমদে। তুংদা লাক্কদৌরিবা জেনরেসনগী ঐখোয় হৌজিক্তগী শেম শাবা অচুম্বা লম্বী অমা চঙই। তীঙ্খনা থনবা অশোংবা লম্বীসি কনানা হাইদৎতুনা চৎকনি। চৎকদৌরিবা মীওইদুদি ঐনি। ঐগী ইথৌ ঐ ইশানা শেম্বা অমদি তৌবা হায়বসি ইশাগী তঙাইফদ্রবা থবক অমনি। ঙসিগী স্বাছ সরবেক্সন ঐগী ইরমদম, ঐগী লৈকায়, ঐগী খুঙ্গং ঐনা শেমজদনা, ঐনা নালহন্দনা কনানা লাক্লগা নালহনবীগনি। মসিনি ঙসি অচৌবা ইস্যু ওইরিবা। মরমদি অসুক কুইরবা শাংলবা মতমশিং অসি টাউশিংনা নান্নবগী পান্দম হন্দক স্বাছ সরবেক্সন লাকপদা পায়খৎনরিবা অসিগুম পায়খৎলম্লবদি থোইদোক্লা অৱাবা নংলম্লোই। অদুগীসু মথক্তা ঐগী ইখুঙ্গং নালহন্নবা হোৎনবদা মীচং মীখাই নাইদুনা লোৎশিন্নবা হোৎনবা কয়া অমসু য়াওরি। অশেংবনি হৌজিক ঐখোয় পূম্নমক পুকচেল শেংনা থবক তৌমিন্নবগী তঙাইফদবদু স্বাছ সরবেক্সন দগী লৌহৌনবা হোৎনবা চঙই। অতোপ্পা মীরমগী আই এল পি কাঙবুনা ঐগী ইশাগী ইরমদম চাওখৎনবা হোৎনরিবা হায়বসে মমল য়ামখ্রবা পাউখোঙনি। পাউখোঙ অসি ঐখোয় পূম্নমক্লা ফোংহৌবদা কান্নগদৌরিবসে ঐখোয়খক্তনি। অদুনা অয়াঙবা খরনা য়াঙনা হোৎনরবসু মঙম শান্দনা লৈরিবা টাউন খরসিসু থিন্থবা তৌদনা হোৎনবগী তঙাইফদবদু থমনীংই। হৌজিক অমুক য়েংবা য়ারিবসি ওপন দিফিকেসন ফ্রী টাউন হায়বসিসু অচৌবা মীৎয়েং অমনি। মীৎয়েং অসি শুকখন খন্দবা টাউন খরসিনা কমদৌবা। পূম্নমক থোং মান্নরবতদা টাউন ২৭ মক অসি ওপন দিফিকেসন ওইরে হায়রবদি মণিপুর ষ্টেট ওপন দিফিকেসন ফ্রী ষ্টেট হায়গদৌরিবনি। অদুবু অৱাৎপা টাউন খরা অসি লোইশিন্দ্রবদি ষ্টেট ওইনা লাউথোকপা য়ারোইদবগী খুদোংথিবদু উমিন্নবা অমা চঙই। অদুবু ঙসি বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলদি অহানবদা ওপন দিফিকেসন ফ্রী টাউন ওইরে হায়দুনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২০১৭তা ক্যু সী আইগী সার্টিফিকেট ফংখ্রবনি। সার্টিফিকেট অসিসু শুপ্নগী থা তরুকখক্কী ভেলিদিটি ওইবনা মখা তাবা রি ভেলিদেসনগী নৌনা শেম শারবা মতুংদা অনৌবা ক্যু সী আইগী টিম্না অমুকসু থা তরুক অমগা শাংদোকপগী অয়াবসু পীরম্লে। মরম অদুনা স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮গী অপূনবা মার্ক ৪০০০গী মনুংদা ওপন দিফিকেসন ফ্রীগী মার্ক ৪৩২ অসিদি মপূং ফাবা ঙমগনি হায়বা চাউনা থমজরি। মসিদা নত্তনা স্বাছ সরবেক্সন্না য়েংলিবা অশানবা মীৎয়েং কয়া উহনবা ঙম্নবা হোৎনবদা কাউন্সিল অসি মীপূম খুদিংমক অমতা ওইবগী লীংজেল উৎলিবনিনা অদুক হাক্লা শোত্থগনি হায়বদি নীংদে।

অমবু ওইরে অমবু ওইরে স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮ ঐখোয় ইশাগীদি খ্বাইদগী লাইবক ফবনি হায়নীংই। লূবা নান্নবা হোৎনবা অমদি মীচম মীয়ামগা খূৎশম্নুনা চাওখৎমিন্নবা হোৎনবা অনীমক অমত্তা থাদোক্লবা য়াদবা মরীনি হায়বসি হন্দক্কী স্বাছ সরবেক্সন্না পাড়া অমা ওইহৌরসনু। রেঙ্কিং ৱাংবা নৎত্রগা ৱাংদবা হায়বদুনা অতোপ্পনি। ঐখোয় তরু তনান্না লৈনবা অমদি পুকচেল শেংনা তৌবা হায়বসিমদি য়াম্না মথৌ তারি।